# মণিপুরদগী কমলানা চনখিবা হেটট্রিক্না গোকুলম কেরলা এফ সিনা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদ এফ সিবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রূপ 'বি'গী মেচ অমদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় য়ুম্নাম কমলানা চনখিবা হেটট্রিকনা মহাক্কী টিম অদুনা লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্মু ওইখিবা বেঙ্গলোর এফ সিবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা লিগ অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি গোকুলম কেরলাগী মখুত্তা মায়থীবা নংখিবা বেঙ্গলোর এফ সি টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লোয়শিনখি। টিম অদুনা ঙসি গোকুলম কেরলা এফ সিগা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপা ৩শুবা মিনটতা য়াম্না অশোয়বা অমা তৌখিবদা সেন্টর বেক কোমল কোথারিনা মহাক্কী গোল পোষ্ট ময়াদা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনরকপদা শোয়বদগী মহাক্কী মখোংদগী পান্দুনা মশাগী গোলদা বোল অদু চঙহনখিবদগী মেচ অহানবা পাঞ্জল অদু গোকুলম কেরলাগী খুদোল তমখি।

শোয়বদগী মায়োক্লবা টিমদা পীখিবা পাঞ্জল অদুগী পাউখুম অথুবা মতমদা বেঙ্গলোর এফ সিনা পীবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয় পুর্ণিমা রাওনা পীরকপা বোল অমদা সত্যবতি খাদিয়ানা ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল ১-১দা লৈনরক্লবা মতুং মেচ অদু নৌহৌননা লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরকখি। মদুনা মরম ওইদুনা মেচকী অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা গোকুলম কেরলা এফ সিগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট ২ ফাদ্রিঙৈদা গোকুলম কেরলাগী মায়কৈদগী ভিনায়া সেনাননা পীরকপা পাস অমদা সবিত্রা বন্ধারিনা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমগী মতেংনা ২-১দা মখোয়ানা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেচকী ৫১শুবা মিনটতা গোকুলম কেরলা এফ সিগী মায়কৈদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা য়ুম্নাম কমলানা ফংখিবা বোল অমা হেঙ্গলোর য়ুনাইটেদ এফ সিগী গোলকিপ্পর অদুবু মায়থীবা পীদুনা টিম অদুগী স্কোর অদু ৩ শুহন্দুনা মখাতানা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মেচ মখা শান্নরকপদা গোকুলম কেরলাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদ এফ সিগী শান্নরোয় কোমলনা কেরলাগী সাবিত্রাদা কান্নদবা ফাউল অমা তৌরুবগীদমক মেচ অদুগী রেফরিনা পেনাল্টি অমা গোকুলম কেরলাদা পীখি।

খুদোংচাবা অদু টিম অদুদা শরুক য়রিবী মণিপুর মচা য়ুম্নাম কমলানা শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা অশোয়বা য়াওহন্দনা কিক অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৪-১দা মেচ অদু মাংজিল থাদুনা মায়পাকপগী লম্বেলদা চঙশিনখি।

পাঞ্জল ৪-১দা মাংজিল থাখ্রবা গোকুলম কেরলাগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক চথরকপা অদুনা টিম অদুগী শান্নরোয় সুপ্রিয়া রাওত্রেনা কাওশিনখিবা সোট অমা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদ এফ সিগী ক্রোসবারদা পান্দুনা পাঞ্জল ওইবা ঙমহৌখিদে।

মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোয়শিল্লক্লবা মতম ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা মেচ অদুদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা য়ুম্নাম কমালানা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদ এফ সিগী দিফেন্দর ৩ লাম্থোক্লগা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মহাক্কী হেটট্রিক চনবা ঙমখিবা লোয়ননা গোকুলম কেরলানা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদ এফ সিবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেচ ৪ শান্নবগা মরীমক মায়পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংখিবগা লোয়ননা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ওরিষা পুলিস ফুটবোল টিম্না গোৱাগী ফুটবোল ক্লব বিদেস এলবেন স্পোর্টস ক্লবপু য়াম্না হেন্নবা মওংদা পাঞ্জল ৬-০দা থোইদুনা গ্রূপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৬ ফংদুনা অহহুমশুবা পোজিসন কনবা ঙম্লি।

**Group A**

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | KRYPHSA | 4 | 4 | 0 | 0 | 14 | 0 | +14 | 12 |
| 2 | Sethu FC | 4 | 3 | 0 | 1 | 17 | 2 | +15 | 9 |
| 3 | Kickstart FC | 4 | 2 | 0 | 2 | 2 | 7 | −5 | 6 |
| 4 | Kolhapur City FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 7 | -4 | 4 |
| 5 | Baroda FC | 4 | 1 | 0 | 3 | 3 | 7 | -4 | 3 |
| 6 | BBK DAV FC | 4 | 0 | 1 | 3 | 1 | 17 | -16 | 1 |

**Group B**

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Gokulam Kerela | 4 | 4 | 0 | 0 | 23 | 2 | +21 | 12 |
| 2 | Kenkre FC | 4 | 3 | 0 | 1 | 11 | 13 | -2 | 9 |
| 3 | Odisha Police | 4 | 2 | 0 | 2 | 8 | 11 | −3 | 6 |
| 4 | Sreebhumi FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 4 | -1 | 4 |
| 5 | Bangalore FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 7 | -4 | 4 |
| 6 | Bidesh Sports Club | 4 | 0 | 0 | 4 | 2 | 13 | -11 | 0 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?

৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তম্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ঐচ নিলকমল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস): দি এস ইন্টরপ্রাইসিসনা স্পোন্সর তৌদুনা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব লৈশাংখোঙ মনিং লোংজ লৈকাইনা শীন্দুনা য়ু আই সী শান্নবুঙদা চথরিবা 'অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল অন্দর ৪০ কে জি ৪-এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা গোল্ডন এফ সীনা এন এস ওবু পাঞ্জল ৪-১দা, এম এস সীনা ঐচ এল এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা, ফাইভ ব্রদরনা এন এফ এবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ৱাইদল্লীয়ু সী মালোম লাক্তবনা কে আই ৱাই সীনা ৱার্কওভর ফংখ্রে।

## পৃথিবী সোনা রোহিত শর্ম্মগী মহুৎ শীন্দুনা ন্যু জিলেন্দ সেরিজ য়াওরগনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ওপনর রোহিত শর্ম্ম খুবোম শোক্তুনা মখা তানা শান্নবা য়াখিদবদগী থা অসিগী ২১দগী ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা টেষ্ট মেচ অনী শান্নগদৌরিবা অদুদা মহাক্কী মহুৎ পৃথিবী সোনা শীল্লগনি।

সেরিজ অসিগীদমক্তা বি সী সী আইনা লাউথোকখিবা শান্নরোয় ১৬কী স্কৱাদ অদুদা বোল্লর ইসান শর্ম্ম ফিট ওইরবদি য়াওগদৌরি। মহাক্তা নত্তনা নবদিপ সাইনি অমসুং সুবমন গিলসু শরুক য়াগদৌরি। টেষ্ট সেরিজদা পৃথিবী সোনা রোহিত শর্ম্মগী মহুৎ শিল্লবসু মখা তানা ৱান দে সেরিজ শান্নবদা রোহিত শর্ম্মগী মহুৎতা ময়াঙ্ক অগরৱালনা শান্নগদৌরি।

# প্রজনিস গুনেশ্বরননা জর্মনিগী ৱাই মাদেনবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



পুনে, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী পুনে সিটিদা লৈবা মলুংগে বালেৱারী টেন্নিস কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী হৌখিবা এ টি পি টুর ২৫০গী মনুং চনবা মহারাষ্ট্র ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা জর্মনিগী ৱাই মাদেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

অহানবা সেটতগী হৌদুনা শান্নরোয় অনী অমনা অমবু খুদুম চনবা ঙম্নদনা লাকখি। গেম ১২ লোইশিনবা ফাওবদা গেম ৬/৬ থোইনদুনা টাইব্রেক শান্নখি। মদুদা গুনেশ্বরননা পোইন্ট ৭-৪দা হেল্লগা সেট অমা মাংজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা সেটতসু লম্বা মখা তানা লৈখি। মদুদা অমুক্কা হন্না টাইব্রেক শান্নরকপদা গুনেশ্বরননা পোইন্ট ৭-৫দা হেন্দুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় সাউথ কোরিয়াগী সো ৱোন কুওনগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ঙসি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী তোঙান-তোঙানবা পেয়রগা শান্নরকপদা ভেটরান লিয়েন্দর পেজ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিয়ু এদেননা ইন্দিয়াগী দিবিস সারন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্তেম সিতকপু থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## মিরাবাইনা নেসনল গোল্ড লৌখ্রে

কোলকতা, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকতাদা পাঙথোকপা নেসনল ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ঙসি কিলোগ্রাম ৪৯গী কেটেগরিদা পুন্না কিলোগ্রাম ২০৩ থাঙ্গৎতুনা মহাক্না ইন্দিয়াগী ওইবা হান্না থম্লম্বা রেকোর্দ অদু থুগইজখ্রে।

মশাগী চহী ২৫দা ঙাইরিবী মিরাবাই চনুনা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৮৭ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১১৫ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কিলোগ্রাম ২০৩ থাগৎপা ঙম্বতা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি। মহাক্না হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা কিলোগ্রাম ২০১ থাঙ্গৎতুনা ৪শুবা পোজিসন তাখি। ঙসিগী পোজিসন অদুনা মিরাবাই ৱর্ল্ড নম্বর ৪দা লৈখি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা পাকিস্তানবু য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ১০দা সেমিফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে



পোটচেপষ্ট্রুম, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী আই সী সী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেচতা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

পোটচেপষ্ট্রুম সিটিদা লৈবা সেনৱিস পার্কতা ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেচ অদুগী টোস পাকিস্তাননা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী ফজবা পর্ফোমেন্সনা পাকিস্তানগী ইন্নিংস অদু অপীবা ওভর ৫০ মপুং ফানা শান্নবা ঙমদনা ৱিকেট ১০মক ৪৪শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা রন ১৭২খক লৌরম্লগা আউট ওইখি।

পাকিস্তানগী ইন্নিংস হৌরকপা ফিভম শোকখি। ওপনর মহমদ হুরৈরা শুপ্নগী রন ৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীল্লকখিবা ফহাদ মুনির রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবদগী ৯শুবা ওভরদা বেটচমেন ২ আউট ওইরগা রন ৩৪দা লৈখি। ওপনর হায়দর অলি অমদি কেপ্টেন রোহেল নাজিরনা মখা তানা পাকিস্তানগী ইন্নিংস অদু শেমগৎলকখি। অপুনবা স্কোর ৯৬শুরকপদা ওপনর হায়দর আলি রন ৫৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

মহাক্কী মহুৎ শীনখিবা কসিম অক্রম রন ৯দা আউট ওইরবা মতুং মহমদ হরিস শান্নবা চঙলকখি। কেপ্টেন রোহেল নজির অমদি হরিসনা পাকিস্তানগী স্কোর অদু ১৪৬ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। অদুবু মশাগী রন ২১ শুরকপদা হরিস আউট ওইখিবদগী কেপ্টেন রোহেল নজিরনা ইন্নিংস অদু মখা তানা ফজ হনবা ঙমদনা মশাগী রন ৬২দা আউট ওইদুনা ৪৪শুবা ওভরদা পাকিস্তানগী ইন্নিংস অদু রন ১৭২দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সুসান মিস্রানা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি। কার্তিক তিয়াগী অমসুং রবি বিস্নোই ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। অধরবা নৈকোলেকর অমদি য়াসসভি জেসৱালনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মায় পাক্ননবা লৈখিবা রন ১৭৩গী টার্গেট অদু ইন্দিয়ানা বেটচমেন অমত্তা আউট ওইদনা ৩৬শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা রন ১৭৬ লৌদুনা সেমি ফাইনেল মেচ অদু ৱিকেট ১০দা থোইরগা থা অসিগী ৯দা ন্যু জিলেন্দ অমদি বংলাদেশ অনীগী অথোইবা টিম অদুগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর য়েসসভি জেয়সৱাল অমসুং দিবিয়ান্স সক্সেনানা হৌদোকখি। মখোয় অনীনা পাকিস্তানগী বেল্লরশিং অদুবু য়াম্না হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী রন লৌনিংবা মতমদা লৌদুনা খুদুম চন্না শান্নরকখি। শান্নরোয় অনীগী মনুংদা য়াসসবি জসৱালনা ইন্নিংস অদুদা ফোর ৪ য়ৈবা ঙমখি। মহাক্না অপুনবা বোল ১১৩ মায়োক্লবা ফোর ৮ অমগা হাপচিল্লগা আউট ওইদনা রন ১০৫ লৌখি। অমরোমদা অতোপ্পা ওপনর দিভিয়ান সক্সেনানা বোল ৯৯দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫৯ লৌখিবনা ৩৬শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা মখোয় অনীমক আউট ওইদনা রন ১৭৬ য়ৌখিবদগী মায় পাকখি।

# কেপ্টেন রানি রামপালগী পাঞ্জলনা ইন্দিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু থোইখ্রে



ওকলেন্দ, ফেব্রুৱারী ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা ন্যু জিলেন্দগী টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা কেপ্টেন রানি রামপালগী পাঞ্জলনা গ্রেট বৃটেনগী টিমবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

পনবা য়াই, হৌখিবা থাগী ২৫দগী টুর শান্নবা হৌখিবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন্স হোক্কি টিম অদুনা ন্যু জিলেন্দ দিভলপমেন্ট টিমবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখি। মদুগী মতুং জন্যুৱারী ২৭তা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ন্যু জিলেন্দগী সিনিয়র টিমগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিম অসিনা মখা তানা টুরগী মনুং চন্না ৩শুবা মেচ অদু ন্যু জিলেন্দগী সিনিয়র টিমগা শান্নখিবদা জন্যুৱারী ২৯দা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখিবনি। টুর অসিদা মেচ ২ মায়থীরগা অমা মায় পাক্লবা মতুং ঙসি শান্নখিবা টুরগী মরিশুবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা গ্রেট বৃটেনগা শান্নবদা হৌবদগী ফজবা ঙমখি। অহানবা হাফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেকশিং অদুগী মনুংদা পেনাল্টি কোর্নর ফংলবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ ময়াই চনশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা পুশিল্লকপা এটেক অমদা মেচকী ৪৭শুবা মিনটতা কেপ্টেন রানি রামপালনা গ্রেট বৃটেনগী পেনাল্টি সর্কলগী মতোনদগী শাফু কন্না য়ৈশিনখিবদা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি। হয়েং টিম অনীনা মখা তানা টুরগী ৫শুবা মেচ ওইনা লম্বা তৌনরগনি।

# স্পোর্টস মিনিষ্টরনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম য়েংশিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ (ঐচ এন এস): খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৬তা ফ্লদ লাইট শীজিন্নদুনা শান্নগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ঙসি দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে।

মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী পুৱারীদা লৈহৌরগদবা লমদম অসিদা অহানবা ওইনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৬তা ফ্লদ লাইটতা শান্নরগনি। চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৬তা খুদোল তমগনি। ফ্লদ লাইট পানখৎপা লোইরে। নুংথিল পুং ৫.৩০দা ফ্লদ লাইট অসি শঙ্গাবগা লোয়ননা জয়চন্দ্র মণিপুর য়ুথ লিগ পাঙথোক্লগনি। গভর্ণর-১১ অমদি চীফ মিনিষ্টর-১১গী মরক্তা এগজিবিসন মেচ অমসু পাঙথোক্কনি। গভর্ণর-১১গী টিমদা আই এ এস অমদি আই পি এসশিং য়াওগনি। সী এম-১১ দনা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং য়াওগনি। ইন্দিয়াদা নুপীগী ফুটবোলদা মণিপুরগী নুপী শান্নরোয়শিংনা চাদা ৯০ দোমিনেট তৌবা ঙম্মী। টিমদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় ৯ য়াওরকপসি চাউথোকচনিংঙাইনি। ৱর্ল্ড অন্দর ১৭কী খল্লকপদসু লমদম অসিগী য়াওরকপা চাউথোকচনিংঙাইনি। রেগুলর কোচিংনচিংবা কয়াসু পীগনি। ফ্লদ লাইটিং শঙ্গাবগী থৌরম অসিদা ফুটবোলবু থাঙ্গৎলিবা চহী ৭০গী মথক্তা লৈবা ভেটরান শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াবীয়ু। ঈকায় খুম্নবা উৎচগে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। খোঙচৎ অদুদা য়াসকী দিরেক্টর কে শ্যামসুন্দর অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা য়ু জে বিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা '১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কুকি স্পোর্টিং ক্লব রানিভেঙনা য়ু জে বি হামরখোলেনবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা কুকি স্পোর্টিং ক্লব অমদি য়ু জে বি লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না অকনবা লম্বাগা লোয়ননা অহানবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা য়ু জে বিগী মায়কৈদগী জেকোব জর্সি নম্বর ২৩না পাঞ্জল চন্দুনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি। কুকি স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগী ইক্বেলইজর চন্নবা এটেক কয়া চথরকখিবগী ৪১শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় কে মিংথাংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি।

অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমমদগী মখা তানা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি।

হাফ অসিদা টিম অনীমক্না অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওং খরা হোংদোক্তুনা শান্নবা হৌরকখি। কুকি স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগী লেনমিনথাং জর্সি নম্বর ১৬ অমদি অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জেকোবনা মথং শীৎনা শান্নবগী ৫০শুবা অমদি ৮২ মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিনবা ঙমখি। মসিগী মায়োক্তা য়ু জে বিগী মায়কৈদগী নেহেমৈ জর্সি নম্বর ১৩না ৬৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা পাঞ্জল ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী অপীবা মতমদা মখা তানা টিম অনীমক্না পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মখিদবদগী মেচ অসি কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা য়ু জে বিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। হয়েংগী মেচ ওইনা হমর মাঙ্গোলোইদ এফ সী অমসুং পি এফ সী ফাইটোল লম্বা তৌনগনি।